# দি সী চান্দেল ত্রোফিঃ রিন্দমখু এস সী, কাপম দি সী অমসুং জয়েন্তলাং এস ৱাই সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা দি সী চান্দেল ত্রোফিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা দিভিজনগী মেটচশিংদা রিন্দমখু এস সী, কাপম দি সী অমসুং জয়েন্তলাং এস ৱাই সী মায় পাকখ্রে।



ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা অয়ুক পুং ৮ তাবদগী হৌরগা হৈবুংলোক ৱাই সী সী অমসুং রিন্দমখু এস সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংদা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা অমনা অমবু কন্ত্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা রিন্দমখু এস সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। রিন্দমখু এস সীগী পাঞ্জল অদু মেটচকী ১১ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ এস কে ৱাঙমনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা হৈবুংলোক ৱাই সী সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং মান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৬৯ শুবা মিনটতা রিন্দমখু এস সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৫ ৱাংনোংনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা হৈবুংলোক ৱাই সী সীগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু রিন্দমখু এস সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

নুংথিল পুং ১ তাবদগী কাপম দি সী অমসুং চুম্বাং এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কাপম দি সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কাপম দি সীনা পাঞ্জল ৪-০দা চুম্বাং এফ সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। কাপম দি সীগী পাঞ্জলশিং অদু সোরোরমিনা অনী অদুগা আর্মষ্ট্রোংনা অনী চনখিবনি।

ঙসিগী অহুমশুবা অমদি অরোয়বা মেটচ ওইনা জয়েন্তলাং এস ৱাই সী অমসুং চান্দেল খুল্লেন ৱাই সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইদুনা অমনা অমবু কন্ত্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা জয়েন্তলাং এস ৱাই সীগী চান্দেল খুল্লোন ৱাই সীগীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফয়র্সঃ দেনমার্কনা গ্রিস, স্বিটজর্লেন্দনা স্লোভেনিয়া অদুগা কোসোভোনা স্বিদেন থোইখ্রে

**রোম, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):** মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফয়র্সকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা দেনমার্কনা গ্রিস, স্বিটজর্লেন্দনা স্টোভেনিয়া অদুগা কোসোভোনা স্বিদেন থোইখ্রে।



গ্রিসতা লৈবা জোর্জিওজ করাইকাকিস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা গ্রিস অমসুং দেনমার্ককী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা দেনমার্কনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা দেনমার্কনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৬ ওইখিবা মতমদা গ্রিসনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৪ ওইখি।

দেনমার্কনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংখি। মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা দেনমার্ককী মিকেল দামসগার্দনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দেনমার্কনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬২ শুবা মিনটতা দেনমার্ককী এনরিয়াজ কৃষ্টেনসেননা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা অদুগী ৮৮ শুবা মিনটতা দেনমার্ককী রাসমসনা পাঞ্জল অমা মখা তানা চনবা ঙমখি। গ্রিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু দেনমার্কনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

স্বিটজর্লেন্দ অমসুং স্লোভেনিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা স্বিটজর্লেন্দনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখ্রে। স্বিটজর্লেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু নিকো ইলভেদি, ব্রিল এম্বোলো অমসুং দান দোয়েনা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, কোসোভো অমসুং স্বিদেনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু কোসোভোনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা মশিং হেন্না ফংখি।

মেটচ অদুগী ২৬ অমদি ৪২ শুবা মিনটতা কোসোভোগী এলদ্রিস অমসুং মুরিকিনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু কোসোভোনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

# অভ্য খোমদ্রামনা লৈবাকসিগী মীংচৎ পুরকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):** থাইলেন্দগী বেংকোকতা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান ওপন স্কুল ইনভিটেস্নল স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা মণিপুরগী চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবা অভ্য খোমদ্রামনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।

অভ্যনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা উৎখিবা ফজরবা পার্ফোমেন্স অদুনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবী শান্নরোয়শিং অসিনা পুন্না গোর্ল্ড ৪, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৯ লৌবা ঙমখি। মহাক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ২০৬ ফংখি।

পনবা য়াবদি, অভ্য হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দগী ডা. অমরজিৎ খোমদ্রাম অমদি বোনি খোমদ্রামগী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক হায়দ্রবাদতা লৈদুনা সঙ্গ মিত্র স্কুলদা ক্লাস থ্রি তন্লিবী মহৈরোয় অমনি।

# ভোল্লিবোল ইভেন্টকী মফম লাউথোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস থৌবাল ২০২৫গী ওইনা ৱাংজিং লাইকোল কম্যুনিটি হোলদা ভোল্লিবোল ইভেন্ট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরমখিবা অদু খুদোংচাদবা মরম খরনা তাইরেনবীখোক কম্যুনিটি হোলদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫গী ওর্গনাইজিং সেক্রেটেরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, গেমস টেক্নিকেল কন্দক্ট কম্মিটিনা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা ভোল্লিবোল ইভেন্টকী মফম হোঙদোক্লবা লেপখিবনি। মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল এসোসিএশননা নৌনা লেপখ্রবা মফম অদুদা ভোল্লিবোল ইভেন্ট পাঙথোকপা য়ানবা খুদক্তগী থবক পায়খৎপা হৌগদবনি। সার্কুলর অসি থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ নীনিগী মনুংদা থবক কয়া য়াম্না পায়খৎলবগে হায়বগী রিপোর্ট অদু ওর্গনাইজিং কম্মিটিদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

# অনীশুবা ফেজগী ত্রায়ল কম কোচিংদা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):** ৩০ রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ফোর রাজমতা জিজাবাই ত্রোফি ২০২৫-২৬তা শরুক য়ানবা মণিপুর সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিম শেম্নবগী ত্রায়ল কম কোচিংদা শরুক য়ানবা অনীশুবা ফেজগী শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট থোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অস্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা সেকেন্দ ফেজদা নৌনা খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরশিংদা পি পান্থোই চনু, মোনালিসা, ঐচ লিন্তোই অমদু কে মেলোদিনি। দিফেন্দরশিংদা য়াওরিবশিংনা কে ঐচ মার্টিনা, টি ঐচ সনামিজা, পি ঐচ নিরমলা, সরিতা ৱাই, টি ঐচ সহেনা, দল্লিয়ু লিন্থোই, টি ঐচ সঙ্গিতা, এন জি দেবিনা, এস ঐচ বন্তি, টি ঐচ কৃটিনা, সী ঐচ অলিনা, পি মিরা, ৱাই মোনালিসা অমসুং পুস্পানি।

মিদফিল্ডরশিংদা ঐচ সিলকি, এন রতনবলা, দাংমৈ গ্রেস, কে অঞ্জু, এন এরিনা, টি ঐচ মেমি, ইফম রোমিনা, এল রেজিয়া, সী ঐচ বিনোমলা, ৱাই লক্স্মি, এল ববিনা , ঐচ দয়া, এন জি পিঙ্কু, এম সঞ্জনা অমসুং এল মেনাকানি। ফোর্ৱাদতা য়াওরিবশিংনা লিন্দা কোম, ও ববিতা, কে ঐচ ভুমিকা, এল বিবিচা, কাসমিনা, এস লিন্থোই অমসুং এস সেলিয়ানি। শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ১১গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

# সাউথ কোরিয়াগীদমক হুইদ্রোম প্রেমকুমার ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ১০দগী হৌরগা ১২ ফাওবা সাউথ কোরিয়াগী চুংজু-সী, চুংচিয়োংবু-দোদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড মার্সিএল আর্টস য়ুনিয়নগী ২৪ শুবা এন্যুএল জেনরেল মীটিংদা শরুক য়ারুনবগীদমক ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেশনগী প্রসিদেন্ট ওজা হুইদ্রোম প্রেমকুমার ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশন মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীটিং অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা মেম্বর পুম্নমক্না মশা মশাগী মরমগী মার্সিএল আর্টস একচেঞ্জ তৌনবগী খুদোংচাবা লৌনগনি অমদি খন্ন-নৈনগনি।



মীয়াম্না ঙসি থাঙ-তা মার্সিএল আর্টস হায়না খঙনরিবা অরিবা লোলদনা হুইয়েন লাংলোন অমদি হুইয়েল লালোং অসি ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থংনবা লৈবাকশিংগা লান্থেংনবদা শীজিন্নরম্মী অমদি ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাক্তুনা নিংথৌ লৈবাক ওইনা পাল্লকখি। য়াওলগী মতুংইন্না ঙসিগী মালেমদা থাঙ, তা, তেন অমদি অতৈ খুৎলায়শিংগী মহুৎ নোংমৈ, বোম, টোপ, মিসাইল, ন্যুক্লিয়র বোমনা মহুৎ শীনখিবনা শা লানদা মহৈশিং হান্নগুম্না শীজিন্নবা য়ারক্রে। মরম অদুনা অসিগুম্বা শাদা-লান্দা হাৎন-শুনবদা শীজিন্নরম্বা ফজখ্রবা মহৈ অসি স্পোর্টসকী ফিল্ড অমদি ইন্টরনেশনল ওলিম্পিক্কী প্লেটফোর্মদা পুখৎতুনা মালেমগী নহা কয়াবু পুনশিন্দুনা নুংশিবা অমদি ইং তপ্পগী পাউজেল পীবা মথৌ তারক্লি। হায়রিবা ইং তপ্পগী পাউজেল পীবগী ৱাখল্লোন অসিদা চঙশিল্লকপনা ঙসিদি ইন্দিয়া শীনবা থুংনা থাঙ-তা শান্নরে। অমদি মালেমগী লৈবাক খরদা থাঙ-তাগী উপালশিং মায় পাক্লা থাবা ঙম্লে। মরম অদুনা থাঙ-তা নুংশিবা, য়োকখৎপা, চাওখৎহনবা অসি চিন্দা খক্তা য়াদে। কাঙলোন চুম্না থবক ওইনা তৌবা মথৌ তাগনি।

ঐখোয়না থাঙ-তাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎকে হায়রবদি লমদম অসিদা লৈমীন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্না য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ঐখোয়গী মশান্না অসিবু মপুং ফানা য়োকখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমীন্নবা মথৌ তাই হায়না ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা তাকপীরমখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সুপর ৪ এস চেলেঞ্জগীদমক শেম শাবা লোইরে




**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী):** চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা হাংঝৌদা হৌজিক চথুরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৫দা অমুক্তা মায়থীবা নঙদ্রিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমনা সুপর ৪ এস চেলেঞ্জগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

সুপর ৪ এস ষ্টেজদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু চাইনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জপান অমদি কোরিয়াগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনগদৌরি। সুপর ৪ এস ষ্টেজদা য়াওরিবা লৈবাকশিং অসি হোক্কি মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়াদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মখোয়বু মায়থীবা পীদুনা ৱিমেন্স এসিয়ান কপগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি ইন্দিয়া টিমগী ওইনদি য়াম্না চাওবা চেলেঞ্জ অমনি।

চথুরকখিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ অসিগী ওইনা ইন্দিয়ানা পুল বিদা মেটচ অহুম শান্নবগী মনুংদা অহুম্মক মায়থীবা নঙদনা পুল বিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈখিবনি। অহানবদা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১১-০দা মায় পাকপা ঙমখি। মদুগী মতুং জপানগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অদুগা অহুমশুবা মেটচ ওইনা সিঙ্গাপোরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা সিঙ্গাপোরবু পাঞ্জল ১২-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

সুপর ৪ এস ষ্টেজগী ওইনা নাকল অনীগী মায় পাক্লবা টিম অনী অদুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1588**


**FM Oleg Rychkov (2407) - GM Grigoriy Oparin (2652)**
**Titled Tuesday 30th June chess.com INT (3), 2020.06.30**

1.Nf3 c5 2.e4 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 d6
6.Bg5 Bd7 7.f4 h6 8.Bxf6 gxf6 9.Qd2 Rc8 10.O-O-O Nxd4
11.Qxd4 Qa5 12.Be2 h5 13.Kb1 Qc5 14.Qd3 Bg7 15.Bf3 Be6
16.Nd5 Qc4 17.Qd2 f5 18.Rhe1 Kf8 19.b3 Qc5 20.exf5 Bxf5
21.Be4 Qa3 22.c4 Bg4 23.Bf3 Be6 24.Re2 b5 25.cxb5 Rc5
26.h3...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1587 Solution :**

**28. h5 Kh8**
*28...Nf8 29.h6 Nxe6 30.dxe6 Qf6 31.hxg7*
*28...Rf6 29.h6 Qg6 30.Qxg6 Rxg6 31.hxg7*
**29. h6 Bf6**
*29...Rf1+ 30.Rxf1*
*29...Kg8 30.e4 Rh5 31.Rxh5 Qxh5 32.Qxg7#*
**30. Qg7+ Qxg7**
*30...Bxg7 31.hxg7+ Kg8 32.Rh8#*
**31. hxg7+** *Double check The white pawn captures Black's queen, which was defending the square g8.* **Kg8 32.Rh8+ Kf7 33.g8=Q+**
**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com